# অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লম্বা ক্রিমিনেল কয়া টালিবাননা থাদোকখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী তোঙান তোঙানবা মরু ওইবা প্রোভিন্স কয়া টালিবান ফাইটরশিংনা অতেনবা মতমগী মনুংদা মপুঙ ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রবা মতুং গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা চেন্নবগীদবক ফাজিন্দুনা থল্লম্বা ক্রিমিনেল কয়া টালিবান ফাইটরশিংনা থাদোকখ্রে হায়রি।



হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক অদুগী মরুওইবা সিটি ৬ কন্ট্রোল তৌখিবগা লোয়ননা সিটি অদুগী জেলদা ফাজিন্দুনা থল্লম্বা দ্রগ ট্রাফিকরশিং য়াওনা ক্রিমিনেল লিশিং অমরোম হেন্না টালিবাননা থাদোকখিবনি। টালিবানন থাদোকখ্রবা ক্রিমিনেলশিং অদুগী মনুংদা ৬৩০দি কুন্দুজতা ফাজিন্দুনা থল্লম্বশিংনি। থাদোকখ্রবা প্রিজনর ৬৩০ অদগী মনুংদা ১৩না নুপীনি অদুগা ৩ অমনা ফোরেনরশিংনি। মসিদা নত্তনা অফঘান গভর্ণমেন্টনা শিবগী চৈরাক লাউথোকখ্রবা মমিং লৈরবা টালিবান লালহৌবা ১৫ সু থাদোকখিবা অদুদা য়াওরি। নিমরোজ প্রোভিন্সকী জারান সিটিদা লৈবা জে লমদগীসু টালিবাননা প্রিজনর ৩৫০ থাদোকখ্রে। মদুগী মনুংদা টালিবান ফাইটর ৪০ য়াওরি।

অমরোমদা অফঘান গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না, টালিবান ফাইটরশিংনা থাদোকখ্রবা ক্রিমিনেলশিং অদু ফাবদা থোইনা অরুবা ওইরোই। হৌজিক্কী ওইনা মথৌ তারিবদি টেররিষ্টশিং অদুবু লৈবাক অদুদগী মপুঙ ফানা তান্থোকখিনবা হোৎনবা অসিনি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অফঘান গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুদা টালিবানশিংগা পূল্লগা থবক তৌমিন্নবগী অপাম্বা লৈ। টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক অসিদা চত্থরক্লিবা ভাইওলেন্সকী থবক থৌওংশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহল্লে। লৈবাক অদুদা তংদু লৈতাবা পুরক্লবগীদমক গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়রি।

# ঘনিনা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা টালিবানশিংনা খুৎলায় থাদোকপগী ৱাফম লৈতে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী) :

অফঘান লৈবাক মনুংদা থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং অসি লেপহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি। পাকিস্তাননসু য়ুমথংনরিবা লৈবাক অফঘানদা থোক্লিবা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌওংশিং লোইশিন্নবা হোৎনরি। অদুমওইনমক, অস্রফ ঘনিনা অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট ওইরিবমখৈ টালিবাননা খুৎলায় থাদোকপগী ৱাফম লৈতে অমদি কৈদৌনুংদা গভর্ণমেন্টকা ৱারী শাবগী খুদোংচাবা উবা ফংদ্রি হায়না পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা ফোঙদোরক্লি।



ফোরেন জর্নেলিষ্টশিংগী মমাঙদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর খাননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শানরবসু অফঘান গভর্ণমেন্ট অমদি টালিবানশিংগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপগী ফিভম লৈত্রি। হৌখিবা থা মরিরোমগী মমাঙদসু পাকিস্তাননা টালিবানগী মায়কৈদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং লেপ্পবা খঙহনবা লৈখ্রে। অদুবু লৈবাক অদুদা অস্রফ ঘনিনা প্রসিদেন্ট ওইরিবমখৈ টালিবানশিংনা খুৎলায় থাদোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা অফঘান মনুংদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং লোইশিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈরি।

অমরোমদা, অফঘান গভর্ণমেন্টনা পাকিস্তানগী থবক থৌওংশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। অফঘান গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী টালিবান ফাইটরশিংদা পাকিস্তাননা অচৌবা তেংবাং পীরি হায়না মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা লালহৌবশিং অসিনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া হাৎপা অমদি লুট তৌবগী থবকশিংদা চাউনা মতেং পাংলি হায়নসু পাকিস্তানদা মরাল শীবা লৈখ্রবনি।

# বাশির আই সী সীদা খুৎশিন্নরগনি

খার্তোম, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী) :

সুদানদা মতম শাংনা পাৱর পায়দুনা লাকখিবা লৈবাক অদুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওমর অল-বাশির ইন্টরনেসনল ক্রিমিনেল কোর্টতা অতোপ্পা ওফিসল অনীগা লোয়ননা খুৎশিন্নখ্রগনি হায়না গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ৭৭ লোম শুরবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা সুদানদা দিকেদ অনীরোম পাৱর পায়দুনা লাকখিবা মতমদা মীহাৎ মীপুন অমদি করপ্সনগী থবক কয়া চত্থখি হায়না মরাল শীরি। সুদানদা হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা মহাক্না ৱার ক্রাইমশিং, কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদবা পোকহনবা অমদি মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া হাৎপগী থবক চত্থখি। মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মতমদা লৈবাক অদুদা মীওই লাখ ৩ হেন্না শিখি। অদুগা মিল্লিয়ন ২.৫ হেনবনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জিন্নহনখি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ঙরাং ফমখিবা সুদানগী কেবিনেটনা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিবু ইন্টরনেসনল ক্রিমিনেল কোর্টতা খুৎশিন্ননবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না লৈবাক অদুগী ফোরেন মিনিষ্টর মরিয়ম অল-মহাদিনা ফোঙদোরক্লি।

# অলজেরিয়াদা লম্মৈনা মরম ওইরগা শিখিবা মশিং ৬৯ শুখ্রে

টিজি ঔজৌ, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী) :

অলজেরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা অকনবা মওংদা চাক্লিবা লম্মৈনা মরম ওইরগা হৌজিকফাওবগী ওইনা মীওই ৬৯ শিহনখ্রে। ফায়র ফাইটরশিং, লান্মীশিং অমদি সিভিলিয়ন ভলন্টিয়রশিংনা মৈ কন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু হৌজিকফাওবগী ওইনদি মায় পাকপা ঙমদ্রি।

অলজেরিয়াগী প্রসিদেন্ট অব্দেলমদজিদ টেবোননা ঙসিদগী হৌরগা লৈবাক পূম্বা নুমিৎ হুম্নি অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মরম লৈতনা লম্মৈ চাকপদা মতেং পাংশিল্লিবা মীওইশিংনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা অরুবা ফিভম অমা লাকহল্লে। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতসু অলজেরিয়ন পুলিসনা মৈ থাবদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ৩ ফাবা ঙমখ্রে। মখা তানা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং শীজিন্নদুনা মরাল লৈবা মীওইশিং ফানবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। কোভিদ পেন্দমিকনা অকনবা মওংদা চৈথেং পীরিঙৈ মরকসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৫০ রোমদা অকনবা মওংদা চাক্লিবা লম্মৈনা অমুক্কা হেন্না মীয়ামদা চৈথেং পীরি।

ফায়র ফাইটরশিংনা চত্থরিবা থবক থৌরমশিংদা মফম মফমগী খুঞ্জাশিংনা অকনবা মওংদা মতেং পাংবগী থবক চত্থরিবা অদুবুসু প্রসিদেন্টনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নদুনা লৈবাক অদুদা চাক্লিবা লম্মৈ কনসি হায়বা ৱাফম মহাক্না থমখিবগা লোয়ননা মৈ কন্নবা হোৎনবদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা পীবা য়াবা মতেং পীরগনি হায়রি।

# অঙাং খুদিংমক কোভিদ টেষ্ট তৌরগনি

জেরুসালম, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী) :

ইজরেলদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ কন্ট্রোল তৌনবা লৈঙাক্না পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না লৈবাক অদুদা লৈরিবা চহী ৩ শুরবা অঙাংদগী হৌরগা চহী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিং মথং চয়োলদগী হৌরগা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোক্লবা খঙহনখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নফটালি বেনেথনা ফোঙদোকখিবদা, লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী হৌরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা অঙাংশিংদা মাস টেষ্টিং পাঙথোক্লগনি। মমা মপা ওইবশিংনসু লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংশিন্দুনা লৈবাক অদুদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মুথৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংনবা মহাক্না মখা তানা আপীল তৌরক্লি।

# হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৮ শিরম্লগনি থাজনরি

মোস্কো, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী) :

রসিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা ভোলকেনো সাইটসিয়িংগীদমক টুরিষ্টশিং পুদুনা পাইখিবা হেলিকোপ্টর অমা পাৎ অমগী মথক্তা কায়খিবগী থৌদোক্তা মীওই ৮ শিরম্লগনি হায়না লোকেল ওফিসলশিং অমদি রেস্ক্যুৱরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

এম আই হেলিকোপ্টর অদু মীওই ১৬ পুদুনা ঙসি কামচৎকা পেনিনসুলাদা পাইখিবনি। হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মীওই ৮ রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে। মদুগী মনুংদা ২গী ফিভমদি য়াম্না লুরি। হেলিকোপ্টর অদুদা পুন্না পেসেঞ্জর ১৩ অমদি ক্র্যু মেম্বর ৩ তোংখিবনি। রেস্ক্যুৱর অমদি দাইভর ৪০না পাৎ অদুগী অকোয়বগী শরুকশিংদা মী থিবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা এক্টিং লোকেল হেল্থ মিনিষ্টর মেরিনা ভোলকোভানা ফোঙদোকখিবদা, হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই ৯দি হিংহৌরে। অদুমওইনমক, হৌজিকমক্কী ওইনা থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অদু শিরম্বা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

কামচৎকা পেনিনসুলাদা লৈবা কুরিল পাৎকী মথক্তা হেলিকোপ্টর অদু কায়রবা মতুং ফিট ৩৩০ লুবা মফমদা তাশিনখিবনি। কা হেন্না লুবা পাৎ ওইবা মরম্না রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মী কনবগী থবক চত্থবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরকপদগী দাইভরশিং নেত্তুনা মী থিবগী থবক চত্থখিবনি।

# অফঘান গভর্ণমেন্টনা লোকেল মিলিসিয়াশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নরি

কাবুল, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী) :

অফঘানদা টালিবান ফাইটরশিংনা চত্থরক্লিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসি থিংনবগীদমক অফঘান গভর্ণমেন্টনা লোকেল মিলিসিয়া গ্রুপশিংগা পূন্দুনা থবক তৌবা হৌখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টর জেনরেল অব্দুল সাটার মির্জাকৱালনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা মরুওইনা হৌজিক হৌজিক লৈবাক অদুগী অচৌবা হায়ৱেশিং, সিটিশিং অমদি বোর্দর ক্রোসিংগী শরুকশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা চয়োল অমরোম অসিদা টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক অদুগী প্রোভিন্সিএল কেপিটেল ৯ খুদুম চনশিনখিবা অদুসু হন্দোক্লবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেম শাবা লোইরে।

লোকেল মিলিসিয়ামেনশিংগা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা পূন্দুনা তাঙ্কক ৩ থোক্না থবক পায়খৎকনি। অহানবগী ওইনা পায়খৎকদবা থবক্তি টালিবান ফাইটরশিংনা মখা তানা লেমহৌরিবা লৈবাক অদুগী শরুকশিংদা চঙশিল্লকপা ঙমদনবা হোৎনবনি। অনীশুবা খোঙথাংনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা টালিবানশিংবু য়ানিংদবা গ্রুপশিং অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা টালিবান ফাইটরশিংগী মায়োক্তা এটেক চত্থবনি। টালিবান ফাইটরশিংগা মায়োক য়াবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈবদগী মশাগী পোষ্টশিং থাদোক্তুনা লাঞ্জেল্লূরবা লান্মীশিং অমুক হন্না মশা-মশাগী পোষ্টতা লৈহনখ্রে হায়না মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা টালিবান ফাইটরশিং লৈবাক অদুদগী তান্থোকখ্রগনি হায়রি।

# য়ুনাইটেদ কিংদম তম্না চৎনবা হোৎনরম্বা মাইগ্রেন্ট ১০৮ ফ্রেন্স ওথোরিটিনা রেস্ক্যু তৌখ্রে

লিল, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী) :

তোঙান তোঙানবা হি ৪দা তোংদুনা লন্দন তান্না চৎনবা হোৎনরম্বা মাইগ্রেন্ট ১০০ হেন্না ঙরাং ফ্রেন্স ওথোরিটিশিংনা কনবা ঙমখ্রে। মখোয়শিং অদু হি তোংদুনা চৎলিঙৈদা ঈশিং ঈয়ায়দা লন্থী খঙদনা লৈরিঙৈদা ফ্রেন্স ওথোরিটিশিংনা থেংনবদগী রেস্ক্যু তৌবা ঙমখিবনি।

ফ্রান্সতা লৈবা মেরিটাইম ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, ফ্রান্স নেভিনা ঈশিংগী শরুকশিংদা য়াম্না তোয়না পেট্রোলিং চৎতুনা মাইগ্রেন্টশিং চৎথোক চৎশিন তৌবগী থবক কূপ্না য়েংশিল্লি। শঙ্গাতি কোষ্টতা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম নেভিশিংনা পেট্রোলিং চৎলিঙৈদা মাইগ্রেন্টশিং পুবা হি অদু লন্থী মাঙখিবদগী চৎফম খঙদনা লৈরমখিবনি। হিশিং অদুদা তোংদুনা লৈরম্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা হকচাংগী ফিভম কা হেন্না শোকচিনবা য়াওরম্বা থেংনখ্রে। নুমিৎ ৪নিরোম মাইগ্রেন্টশিং অদু চৎফম খঙদনা ঈশিং ঈয়ায়দা লৈরকখিবনি।

নেভি পার্সনেলশিংনা খুদক্তা মাইগ্রেন্টশিং অদুবু মখোয়গী হিদা হাপ্পুনা কংফালগী শরুক তম্না পুথোরকখ্রে। অমদি হকচাংগী ফিভম শোক্লবশিং খুদক্কী ওইনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চত্থখ্রে। মমাঙ চয়োলদসু ফ্রান্সতগী ইংলেন্দ তম্না মাইগ্রেন্ট ৪৮২ চঙশিল্লকখি হায়না বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং ফ্রান্স ওথোরিটিশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপা হৌরকখিবনি।

OFFICE OF THE
PLANNING & DEVELOPMENT AUTHORITY : MANIPUR
North AOC, PDA Office Complex, Imphal - 795 001

No. 125/Div.II/2021-PDA (Engg)
Imphal, the 12th August, 2021

/ NOTICE INVITING e-TENDER

NIT No. PDA/EE-II/EPC Tender/2021-22/2

The Executive Engineer-II, Planning & Development Authority, Manipur (PDA), Manipur on behalf of the Chairman, PDA, Manipur invites online EPC e-tender from approved and eligible Special Class Contractors of PDA for the works mentioned below:

| Name of Work | Estimated Cost (Rs.) | Tender Fee (Rs.) (non-refundable) | EMD (Rs.) |
|---|---|---|---|
| Construction of Alternate Housing at NGV | 5298.86 lakh | 30,000/- | 63.00 lakh |

The details of the tender and forms can be obtained from www.manipurtenders.gov.in.

| Critical Date Sheet: | |
|---|---|
| Pre-Bid meeting | 17.08.2021 at 1130 Hrs. |
| Online bid Starts: | 18.08.2021 at 1130 Hrs. |
| Last date and Time of bid submission: | 02.09.2021 at 1400 Hrs. |
| Bid Opening: | 04.09.2021 at 1130 Hrs. |

| Contractors are directed to upload the scanned documents of the following along with bid submission and submit the original copies to the undersigned before closure of online bid submission. |
|---|
| 1 Earnest Money Deposit (Demand Draft/ Banker's Cheque/ Bank Guarantee) |
| 2 Tender Fee (Demand Draft/ Banker's Cheque) |

Sd/- Executive Engineer-II,
Planning & Development Authority,
Manipur

HL-B/7077/13

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 205,708,786 | +239,658 | 4,341,245 | +4,869 | 184,690,972 | 16,676,569 |
| 1 | USA | 37,060,454 | | 635,219 | | 30,050,064 | 6,375,171 |
| 2 | India | 32,077,706 | +732 | 429,702 | | 31,260,050 | 387,954 |
| 3 | Brazil | 20,249,176 | | 566,013 | | 19,092,832 | 590,331 |
| 4 | Russia | 6,534,791 | +21,932 | 168,049 | +808 | 5,828,972 | 537,770 |
| 5 | France | 6,370,429 | | 112,410 | | *5,821,100* | 436,919 |
| 6 | UK | 6,146,800 | | 130,607 | | 4,721,899 | 1,294,294 |
| 7 | Turkey | 5,996,224 | | 52,565 | | 5,543,037 | 400,622 |
| 8 | Argentina | 5,052,884 | | 108,388 | | 4,700,030 | 244,466 |
| 9 | Colombia | 4,852,323 | | 122,953 | | 4,668,790 | 60,580 |
| 10 | Spain | 4,660,473 | | 82,320 | | 3,866,276 | 711,877 |
| 11 | Italy | 4,413,162 | | 128,304 | | 4,166,095 | 118,763 |
| 12 | Iran | 4,320,266 | +39,049 | 96,215 | +568 | 3,647,016 | 577,035 |
| 13 | Germany | 3,808,810 | | 92,332 | | 3,673,700 | 42,778 |
| 14 | Indonesia | 3,774,155 | +24,709 | 113,664 | +1,466 | 3,247,715 | 412,776 |
| 15 | Mexico | 3,020,596 | +22,711 | 246,203 | +727 | 2,375,211 | 399,182 |
| 16 | Poland | 2,884,780 | +223 | 75,291 | +2 | 2,654,874 | 154,615 |
| 17 | South Africa | 2,554,240 | | 75,774 | | 2,337,591 | 140,875 |
| 18 | Ukraine | 2,262,601 | +1,247 | 53,173 | +24 | 2,194,791 | 14,637 |
| 19 | Peru | 2,128,516 | | 197,146 | | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,892,104 | | 17,887 | | *1,718,992* | 155,225 |
| 21 | Iraq | 1,740,933 | | 19,402 | | 1,556,855 | 164,676 |
| 22 | Philippines | 1,700,363 | +12,439 | 29,539 | +165 | 1,583,161 | 87,663 |
| 23 | Czechia | 1,675,675 | +223 | 30,372 | | 1,642,877 | 2,426 |
| 24 | Chile | 1,625,456 | | 36,157 | | 1,582,029 | 7,270 |
| 25 | Canada | 1,445,305 | | 26,688 | | 1,405,064 | 13,553 |
| 26 | Bangladesh | 1,386,742 | | 23,398 | | 1,248,075 | 115,269 |
| 27 | Malaysia | 1,342,215 | +21,668 | 11,691 | +318 | 1,093,503 | 237,021 |
| 28 | Belgium | 1,145,736 | +2,609 | 25,282 | +3 | 1,068,432 | 52,022 |
| 29 | Sweden | 1,109,112 | | 14,621 | | *1,078,954* | 15,537 |
| 30 | Romania | 1,086,109 | +371 | 34,334 | +3 | 1,049,156 | 2,619 |
| 31 | Pakistan | 1,085,294 | +4,934 | 24,187 | +102 | 975,474 | 85,633 |
| 32 | Japan | 1,069,554 | +15,792 | 15,330 | +19 | 920,862 | 133,362 |
| 33 | Portugal | 993,241 | | 17,514 | | 931,808 | 43,919 |
| 34 | Israel | 921,083 | +1,661 | 6,593 | +6 | 872,287 | 42,203 |

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC WORKS DEPARTMENT

/ TENDER NOTICE NO. EE/ND/TDR/2021-22/1

Dated, 11th August, 2021

The Executive Engineer, Noney Division, PWD, Manipur on behalf of the Governor of Manipur invites sealed item rate tender through manual tender from approved and eligible contractor registered PWD, Manipur for 8 Nos. Plan works under MH:5054, 2 Nos. Plan works under MH: 4059, 1 Nos. Plan works under MH: 2059 & 26 Nos. Non-Plan works under MH:3054 (Road works, Building, Culvert, Compound wall, Land development etc.) at a cost at Rs. 1057 Lakhs within Noney District, Manipur.

The procurement, officer is Executive Engineer, Noney Division, PWD, Manipur. The tender details and documents shall be available from the office of the Executive Engineer, Noney Division, PWD, Manipur.

Bid submission start date : **12-08-2021,** time - 11:30 a.m.
Bid submission end date : **06-09-2021,** time - 3:30 p.m.
Date of opening of Bid : **07-09-2021** at 11:30 a.m.
Venue : Office of the Executive Engineer, Noney Division, PWD, Manipur

Sd/- **Executive Engineer,**
Noney Division, PWD, Manipur

HL-P/9831/13

GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT: GENERAL ADMINISTRATION DEPARTMENT
----

/ NOTIFICATION
Imphal, the 12th August, 2021.

**No. 2/5/2019-GAD:** In Continuation of this Government Notification of even no, dated 16th April, 2021, the schedule for sponsoring of the candidates by the employment exchange office for recruitment of 47 post of Stenographer Grade- III in the Manipur Secretariat, General Administration Department is **extended till Saturday, 31/08/2021.**

2. Thereafter, the sponsored candidates are required to download the application form from the website (www.manipur.gov.in) and submit the completed forms **w.e.f 6th September, 2021 to 15th September, 2021** between 10:00 am and 4:00 pm along with the required self-attested copies of certificates **at Lounge of Manipur State Guest House, Sanjenthong, Imphal**.

Sd/- **SunandaThokchom**
Under Secretary (GAD)
Government of Manipur.

HL-B/7075/13,14,15

HHG Academy

Sangaiprou , Ghari Mamang Leikai (Affiliation to COHSEM)

Limited Seat

ADMISSION OPEN CLASS XI Science 2021-22

LAST DATE: 12 August 21

Achievement: Striking 100% pass, many letter mark holders in the year 2018, 19, 20 and 2021.

FACILITIES:
i) No monthly tuition fee & Lowest course fee in the state.
ii) Reservation for children of single parent and marginalized family.
iii) Free school uniform + free school bag + free text book + free exercise book.
iv) Separate Hostel for Boys and Girls.

For offline admission : School office with SOP    For online admission : www.hhgacademy.com
Contact number: 9862445909 (Sir Nelson) / 9774571821 (Sir Jotin) / 9774269528 (Sir Ratan) / 6009861409 (Sir N I)

HL-B/7062/13-20